থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মণিপুরগী কাং/কাংলেন, থৌওংশিগী অচুম-অরান



হিন্দু লাইনীং লৌরুঙৈদগী মণিপুরগী তম্পাক্তা তাবা মীতৈ হায়বা ফুরুপসিনা পাঙথোক্লিবা কুমহৈসি মখল মথেল কয়ানি। চহী চূপ্পা লেপ্পা লৈতে হায়বা য়াই। অমমমতা ওইনা শৈথাজররোই। মশিংতমক শৈথাবদা পিল্লবা 'থম্মোয় পাউদম' কাখলসি থনখিবা য়াই হায়নীংবা অমত্তা হায়হৌদনা। হিন্দু লাইনীংগা মরী লৈনবা কুমহৈসি মানা মানা থাজজবা লাইদুদা লাইনীং লাইশোন খরা শোল্লগা পূক্লিংদু পেন্নবা তৌবা নত্তবা, ঐখোয়গী ওইবা অহেনবা 'সমর্থন' কয়া হাপচিন্দুনা তোৎশিন্নহল্লগা হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবগী হৈনবী অমা লৈ - নঙ-ঐ'দই চিংনা মীতৈ হায়বা ফুরুপচা খুদিংমক্তা। নোংমখক পাঙথোক্লবা মচুগী কুমহৈ 'হোলি' বু ঐখোয়গী ওইবা 'য়াওং-শঙ' (য়াওশঙ) শাদুনা মৈ থাদোক্লগা ঔগ্রী-হঙ্গেন চোংবগী চৎনবীগা অমত্তা ওইহনখিদুনা নুমিৎ মঙানি পাঙথোক্করিবনি। থাবল চোংবা হায়দুনা অমুকসু কোরৌ নুমিৎ কয়ানি অমুক মখা শমথনরিবনি।

হৌখিবা জুলাই মরি, কাং চিংবা (রথ যাত্রা) নুমিত্তা দিল্লিদা মীফম অমা য়াওবা চৎপা নুমিৎ ওইদুনা মণিপুরগী কাং চিংবই থৌরমদু উহৌদে। ওল্ড (পুরানি) দিল্লি ষ্টেসনলোমদা টেক্সি তোংদুনা চৎপদা কা হেন্না চিল্লিবা ত্রাফিক জাম অদু করিগীনো হংলুবদা টেক্সি দ্রাইভর অদুনা 'রথ-যাত্রাগী লাই খুরুম্বা চৎপা মীয়ামদুনা চিলহল্লিবনি' হায়রকপদুদা মণিপুরগী কাং চিংবা নীংশিংলকখিবনি। ঐখোয়গীদুগুম য়ূমথোঙ খুদিং চৎপগী 'লোর্দ জগন্নাথকী খোঙচৎ' অদু শ্বায়দা চৎহল্লবদি লম্বীসি সর্বনাস শাগনি- খল্লকখিবনি চৎনা চৎনা।

ঙরাং জুলাই ১১ য়ূমদা হল্লকপা নুমিত্তু, ঐখোয়গী কাংলেন তারম্লে। অহৌবইদু উহৌদ্রসু অরোইবদু থেংনরুরে। ওদিষাগী 'পুরি' দা লোর্দ জগন্নাথকী রথ-যাত্রা অদুদি, চৎখিবা নুমিৎ অদুদগী পারগা মাপন্নিশুবা নুমিত্তা ময়ূমদা অমুক হল্লক্তুনা মপূম ফাবা খোঙচৎ ওই হায়দুনা লাইরিকশিংদা পারকখিবনি। জুলাই ১১দদি কোরৌ নুমিৎ তরেৎনি শুবতমক মঙায়রি। মখোয়দই পুরগা, মখোয়গী মতৌ তল্লগা পাঙথোকখিবা থৌরম, কুমহৈ অমা ওইরগসু মখোয়না পাঙথোক্লিবা থৌওংসিগা, ঐখোয়না পাঙথোক্লিবা মওংসিগা চাউনা খেন্নবা অমা লৈরি। খেন্নবদু করিনো? থৌরমসিগী সিগ্নিফিকেন্স'না করিনো? অখঙ অহৈ স্কোলরশিংদা হংলুবা নত্তে। হান্না পারুবা, খঙলুবা খরদুগা, থম্মোয়দা ফাওরকপা খরসিগা - পাউদম ওইনা তমনীংবা অমা ফাওরক্তুনা ইরিবনি। য়ানীংবা/য়ানীংদবা হৌনশানি। ৱাখলসিনা লাম্বা ফংহৌদবা, খঙহৌদবা, তাহৌদবা-তাকপীরকউ খঙজহৌগে।

কাং, রথ-যাত্রা হায়বা কুমহৈ অসিদি ইরমদমগী মৈহৌরোনগী ৱারী অমগা তোৎশিন্নরগা, ঐখোয়গী ওইবা ৱারী অমা শেমগৎনীংঙাই মচাক অমত্তা লৈত্রবা, নাখৈ শেংলবা হিন্দুশিংগী কুমহৈ অমনি। লোর্দ জগন্নাথ (জগৎ + নাথ, তাইবঙ মপু) হায়বা লাই অদুগী ৱারীগা মরী লৈনবনি - ব্রহ্ম পুরান, পদ্ম পুরান, স্কন্ধ পুরান অমদি কাপিল সমহিতানচিংবা লাইরিকশিংদা ৱারী অসি থেংনৈ হায়। কুমহৈ অসি জগন্নাথ'না ময়াম্বা বলভদ্র অমদি মচননুপী সুভদ্রগা লোয়ননা মন্দোমচাগী ময়ূমদা (গুন্দিচাগী লইশঙদা) চহী অমগী মনুংদা অমুকখক চৎপা খোঙচৎ অদুবু নীংশিংদুনা, মাবু নীংজবা (ভক্ত) শিংনা দ্রামাটাইজ তৌবগী থৌওং অদুবুনি। রথ-যাত্রা (কাং) নুমিত্তগী হৌরগা পুর্ন যাত্রা (কাংলেন) নুমিৎ ফাওবা জগন্নাথকী লাইশঙদা লাই খুরুম্বা লাকপা মী অমত্তা চঙহন্দে, জগনাথ মশা লৈতবনা। মাপন্নিশুবা নুমিত্তা, মশাগী লাইশঙদা অমুক হল্লক্লবা মতুংদা দর্শন অমুক হৌগনি।

মণিপুরদা পাঙথোক্করিবা রথ যাত্রাগী মওংনা লোর্দ জগন্নাথ, বলভদ্র অমদি সুভদ্র অহুমনা লাইশঙ (ময়ূম) থাদোরকপদি মন্দোমচাগী ময়ূমদা চৎপা নত্তে। কাং অমসুং কাংলেন নুমিৎ অসিদা মহাকপু ঈরাৎচরিবা ভক্তশিংগী ময়ূম-থোঙ্গালদা চত্তুনা অৱা-নুংঙাই পাউহংবা চৎপনি। মঙোন্দা অথেন-পোৎ কৎপা ঙস্বগী মতিক-মঙম লৈরিবরা য়েংবা চৎপনি। চহী অমগী মনুংদা কোরৌ নুমিৎ অনীখক লৈকায় কোয়বা চৎপনি। বৃন্দাবন'দা শ্রীকৃষ্ণনা কংস হাৎলবা মতুংদা দোলাই অমা তোংলগা অকিবনা লাকহত্তুনা ময়ূমদই মপান থোকঙমলুদ্রবা মীয়ামগী ময়ূম থোঙ্গান'দা চত্তুনা অৱা-নুংঙাই হংবা চৎপদা হরাও মথোয় কারবা মীচম-মীয়াম্না অথুম-অহাও কৎলকখিবদু নীংশিংদুনা পাঙথোক্করিবা রথ-যাত্রাগী থৌরমদুনা, মণিপুরদা পাঙথোক্করিবা রথ-যাত্রাগী থৌরমসিগা - অনীসি নকশিন্নবা হেল্লি। অদুবু, কাং (দোলাই) দুগী মনুংদা ঙাম্থোইরিবা ইবুংঙো-ইবেম্মগী মিতমসিদি খেন্নবনিনা - ঐঙোন দদি চমম্নবনা হেল্লি। খনফম খঙদে - লাল্লিবসি কনানো? ৱাহং অসি হংলুরিবা ঐহাক্না খ্বাইদই লানবা মীশক অদু ওইরম্বসু য়াই।

লৌশিং পুক্কে

# মশাগী চহী ৬৫ হেল্লবদি শরূ তেক্কনবগী রিস্ক হেনগৎলকপা মরম্না মতম লৈরিঙৈদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌগদবনি



নুমীৎ খুদিংগী লমজেল চেনবনা শরূগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে। ৱাশিংটনদা লৈবা কেমিলো জোস সেলা য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা হায়, লমজেল চেল্লিবমখৈ শরূ কনবসু হেনগৎলকই।

মীওইবনা চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না বোন মিনরেল দেন্সিটি (বি এম দি) হন্থরকই। বি এম দি হায়বসি কেলসিয়মনচিংবা শরূদা য়াওবা মিনরেল য়াওবগী চাং অদুনি। শরূদা য়াওবা মিনরেলগী চাং ৱাংলিবমখৈ শরূগী মপাঙ্গল কল্লি। অদুবু তোঙান তোঙানবা মরম কয়ানা মিনরেলগী চাং হন্থহনবদগী শরূগী মপাঙ্গল শোন্থরকই।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমবু লুচিংখিবা বেট্রিজ লারানা হায়খি, নুমীৎ খুদিংগী লমজেল চেনবা তারবদি শরূ য়াওবা মিনরেলগী চাং (বোন মিনরেল দেন্সিটি) হেনগৎহনবদা মতেং পাংবা মরম্না শরূ কলহল্লি। মরম অদুনা অহল ওইশিল্লক্লবসু শরূ তেক্কনবা অমদি তাঙ-তাঙ নাবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নহন্দে।

নুমীৎ খুদিংগী লমশাং চেনবা মতমদা কেলসেনিয়সকী মেকানিকেল প্রোপর্টি শেমদোকপা ঙম্মী। কেলসেনিয়স হায়বসি খোঙয়াদা য়াওবা শরূনি। চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না কেলসেনিয়সকী মেকানিকেল প্রোপর্টিনা অহোংবা থোরক্তুনা শরূগী মপাঙ্গল শোন্থরকই। অদুবু নুমীৎ খুদিংগী হুমাং তানা লমশাং লমজেল চেনবা মীওইশিংদি শরূ শোন্থরকপগী খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নদে।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই ১০,০০০ রোমদা কুপ্না ষ্টদি চথরবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা বেট্রিজ লারানা হায়খি, শরূ কনখৎহনবগী মতাংদদি অতৈ অতোপ্পা মখলগী হকচাং শাজেলশিংদগী লমজেল চেনবনা কান্নবা হেল্লি। করি মরমগী লমজেল চেনবনা শরূ কনখৎহল্লিবনো হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনরি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি জর্নেল ওফ এপ্লাইদ ফিসিওলোজিদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

বোন দেন্সিটি টেষ্টকী মতেংনা শরূদা য়াওবা মিনরেলশিংগী চাং খঙদোকপগা লোয়ননা শরূগী মপাঙ্গল কয়া য়াম্না কল্লিবগে হায়বদু খঙবা ঙম্মী। শরূগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংগী মনুংদা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা হায়বসিসু অমনি। অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা হকচাং শাজেল তৌবনা শরূ কলহনবগী মথক্তা হকচাংগী বেলেন্স অমসুং ফ্লেক্সিবিলিটি হেনগৎহনবা মরম্না তুশিনগদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। য়াম্না কনবমক নৎত্রবসু যোগ, ইরোয়বা অমদি ইচম-চম্বা ষ্ট্রেটজিং এক্সরসাইজ তৌবা কান্নগনি। মল্লবদি খুদি থিজিল্লগা তুবা য়াবগী রিস্ক ৱাংবা মরম্না য়ারিবমখৈ ইমুংগী মফম পুম্নমক মৈ ঙান্না থানগদবনি। তূম্ফম কাদগীনা বাথরুম ফাওবগী লম্বীদা মৈ ঙান্না থানবগা লোয়ননা নাকলদা খুৎ পায়ফম বার অমা হাপকদবনি অমসুং লম্বী নান্দনবা ঈশিং তাহল্লোইদবনি। অহল ওইশিল্লকপদগী তাবা অমসুং উবা ঙস্বগী চাং হন্থরক্লবদি হিয়ারিং এইদ শীজিন্নবগা লোয়ননা ইশাগী মীৎকা চান্নবা আনোক উপকদবনি। য়াম্না তোয়না মীৎ চেক তৌদুনা উপলিবা আনোক অদু মীৎকা চান্নরিবরা হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। দোলান কাখৎ-কুমথ তৌবা মতমদদি য়ারিবমখৈ বাইফোকেল গ্লাস উপলোইদবনি। বাইফোকেল গ্লাস উপ্লগা দোলান কাখৎপা নৎত্রগা কুমথবা মতমদা কোক ঙাওরকপদগী তুশিনবা য়াই।

মীপুম খুদিংমক চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না শরূ পাথরকই। শরূ পাথরকপগী থৌওংবু ওষ্টিওপেনিয়া কৌই। অহল ওইশিল্লক্লবদি অনৌবা শরূ শেমগৎলকপগী চাং হন্থরকই অমসুং তূমশিল্লকপগী চাংনা ৱাংখৎলকই। শরূদা য়াওবা কেলসিয়ম অমসু অতৈ মিনরেলশিং মাঙখিবদগী শরূ শোন্থরক্তুনা তেকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। অদুম ওইনমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়ননা কেলসিয়ম অমসুং ভিটামিন দি মরাং কায়না চারবদি বোন দেন্সিটি হেনগৎলক্তুনা শরূগী মপাঙ্গল কনখৎলকই। মীপুম খুদিংমক মশাগী চহী ৬৫ হেল্লবদি শরূ তেক্কনবগী রিস্ক হেনগৎলকপা মরম্না মতম লৈরিঙৈদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌগদবনি।

মমি ৱারী

# শান্তিনিকেটন


## তিংথৌনু













*Tingthounu is a visual art practitioner.*